# ৰারী মচা

## চনৈনরিঙৈ অখাক অরাও

*পাই ইমো*

ৰা-লান অমত্তা ঙাংনদবমখৈ ফনা কুইনা ফম্লুরবা মতুংদা, ঐনা পাবা হেক লোয়বগা লামাই নাম্মতমক ইরবা চেনাশিংদু পুল্লগা পায়খৎলে, মীৎ উইশিন্দুনা ঙাইহাক খনথৈ। মহাক ফল্লি হায়বা খকনিং-নিংশিঙলক্তুনা নোকলপ তৌরগা য়েংলুবদা মানাঃ

–কয়াদি য়াম্মে, ঐনা সিদা লাক্লীসে। অমুক্তা উনবা ফংদবা ঙসিদি শাওনীংমনখ্রদুনা য়াহৌবগা লাক্লেবনী।

– ননম্মদা কোক-শিন্নরম্লবসু য়াবসিবু। ওফিসতা য়েংলবসু য়াইদা। নঙনা পঙলুত-লুনা খনলে।

– ময়ান্নবুদি চাওরাক্লা য়েংনরবনী। তামোদা অমুক্তং নে তানা য়েংহন্নিংবা। ওফিসতদি য়ান্না নোক্লবীদৌবদুদা তল্লবা।

– কায়দেদা... ফরে, পিনিংলীবা হায়নিংলিবসী ঐবুদি খঙলে। চিংনরপ তৌরিবা হায়ববু নম্বর পিগদৌরীবা কাঙবুদুনা ঐনা খঙলিবসিগুম খঙবি-উবিগদ্রা সিনি।

– লোন্দা পুদা, খুউৎ-খুৎলাম্ফোক তামোনা ঙন্না তৌবিনি হায়দাইনে?

– অদুবুদি মশানা তারবনি। অদুমকপু পুমশেম্মক হেক শেমদোক্লুরসু, নুংশা থিরিবা। ফৈনা চৎখিদ্রা, হায়দনা। নঙনা পুখৎলক্লীবা নুপীগী চরিত্র অনীদো, অমবুদী মহৌশাগিনী। অদুগা অমদুমদী, সমাজগী চৎনরোল হোরৎপীগুম্বনীদো। মানা লৌরল্লীবা, ঙাংলল্লীবা কৈদাদুগা মমৈদা ওন্ন তৈননা পোলোইদা লাক্লিবসিনী। হায়দি, নুপীগী ইজ্জৎ, অধিকার অসিনচিংবা কয়া হায়রম্লগা অহুমশুবী লোন্নবীগী অতোনবী ওইরক্লীবদু, ময়ান্না ভাব অমরোমদা...।

– মদুদি তামো, ঐগীসী রিএলিটীনি খনজরীবা। ঐখোয় ষ্টাফকী লৈশাবী চিন-থৌবী খরদা পানশিনজরিবনী। ঠিকাদারনি হায়দনা মতুং ইল্লুরগা, ঠিকাদারগী মমান্নবা অদুসু মচা লৈশাবী ফারবা ওইরম্বকা য়াওখ্রিবদুদা পাঞ্জরিবনী।

– হৈমা! নংগীসী সাধনাগী ৰানিনে। নত্তে, মাবু ওফিসকা কারকপা উখিদ্রে, কমদৌনখ্রে? খঙবু-খঙনিংইনে?

–ট্রান্সফার তৌখ্রে। ঐদি তামো, সমাজসিগী ফিভমসীদা নুপীশীংসে য়ান্না থৌহঞ্জনীংই।

– হোয় থৌখ্র-থৌখ্রবা য়াওখ্রে মমাঙঙৈদা, অদুবু কালসিদদি নুপী খরদি মথৌ শংদ-শংলুরসু ফৈ-ফৈনা য়ান্নবসিদা খঙদ্রে। নখোয়সুনীনে নুংশা থিরিসে। হায়দি জ্ঞান তাবা মানবা হায়গদ্রা, জ্ঞান তারবা হায়গদ্রা নখোয়সীনা নয়ূম-নকৈ পান্দুনা মথৌ-শংলবা জেনরেসন অমা শেম্লক্তদ্রা, সিনি ঐখোয়না ঙাইরিবদি।

– অদোমদা ঙাংনরকপা তারবদি তামো, চহি মতাংসিদা ঐখোয়দী জ্ঞান তাবজাৎতী নত্তে, মাংলম্লবজাৎনী। তলবা চারুরবনীনা কোয়না চৎ, কোকশি-হত্তুনা থিরুনবগী তাঞ্জাসু লৈত্রে।

মীৎনা-খুৎনা লাম্বা ফংবদা য়েংলুরসু অফবা ওইরম্বা য়াবা, 'ইন ডি সেন্স' মত চানগদবশিং থওইনা য়েংলুরবসু ময়ূম পাল্লম্বগুম খরা তৌ, ইনগেজ লৈরমগুম খরা তৌ, হু-হু হনবা তাবা। মী কৌবনিনা শাওদ-শাওরুবসু সাধনাগী ফিভমদা হেক্তা...।

মথমোয়দা লৈবা ইশেং-শেংলবা ৰাহৈশিংদু তাবদা মখোয়গী অৰাবদা শরুক য়ানিংলুই। ওঝা মশেল কর্ম্মচারি মশেল ৰাইথুংনরিবসিসু থুংনফম থোকপজাৎনি খল্লি।

পূং ৮ তারমগদৌরে। অতিথি অমসু লৈরিবনী, অদুবু চা-নুং পুতোরকপগী শামিন অমত্তা ফংদ্রবদুদা মহাক্কী মমাঙদা ইকাইজরত্তুনা চাকশঙলোমদা চংলুই। চাক থোংন-থোংনা মনাতোন ফন্দোক, মচিন পোমথোক মুরুম-মুরুম শোন্দুনা, শঙ্গোম য়াওরবা চাগী পাত্রদু পাখৎল-থাংথ, পাখৎলক-থাংথ তৌরল্লীবদু হেক উরুরে। শোল্লল্লীবদু অয়ুকশিদা শেম্বিবা মপুগী মীংখৈদি নত্তে খঙই। অদুওইরসু খঙশিন্নদবা শাদুনা হংলুই,

– কৈদৌরে ইবেতোম্বী? চাদু কোক হৈরগা পুথোরকপা য়াদ্রব্রাও?

–ইস!

– করি সপ্তনোনে! সে, ঐ হৈজরগে, খনাওসি খ্রক-খ্রক কংলবনি।

– খৌনাও কংবকা নিংগিংবীরিবোইরে...?

মখা তাহৌবা ৰাহৈশিংদু তারুরদি চা থক্লিংলিবসী থুক-লাওবা পোল্লকপসু য়াই হায়দুনা তাবিরক্ত্রে। 'ঐনা শক্তা অসিদা চা লানজরুখিদ্রদো...' শোলহৌবফাওবদি ফজনা তারকই। হোয়, অঙাং মঙাগী মমা ওইরবী মাগা চহি লোনগা ওইরসু লৈশাবী মচাগুম তনৌ-তনৌরিবী মানলিবী অসিদা চা লানজরুবা মতিক চাদে। শাওরুবা য়াবা নত্তে, 'সুন্না চা পুথোক-পুশিন তৌনবা জিব অমফাওবা লোয়বা ঙমদবা ঐনি লাল্লিবসি। অদুবু ইকাইজৈ, মহৌশা ইমান্নবিশিংগী পাখৎচাওবী ইবেম্মশীংনা মপুরোইবনা 'নারী সবন্ধ' লৈনবদা অন্দোলন তৌনখীবা কয়াদা ঐনা নোক্লখিবদু নিংশিংলকই। ঐগিসু শরুক থুংলল্কমাল্লে।

'চাদু থকসি ইবেম্মা' হায়দুনা চা পি। ৰা ঙাংনদনা ঙাইহাক চা থকপা লাক্লে। অদুবু মমিংতা ওইনা থক্লগা মাদী ৰারী মখা তারকই। মসিগী নুপীমচাসী থবক্কি মীনীনে। অদুবু ৰারী মখাদু তাবদা ঐদি নুংশা থিরকই, মফমসিদদি। মাগী লীলা অসিদা নুপী লোম্বা চরিত্র অমা য়াওরি। ঐখোয়গী বিভাগতা অনিদা নত্তে অহুম লোম্বফাও য়াওরিবনি। অদুবু মখোয়দদি হায়দ্রগা ঐঙোন্দা পকচগনি হায়দুনা চরিত্রদুগী পার্ট অদু ঐবু লৌহনবা হায়না য়ানরে হায়রকই। নুপাদা, পাখংদ মান্দুনা লৈবা কাংবু, নুপীদ মৌ ওইরফাও লৈশাবীগুম কেবা নত্তগা মান্দুনতা লৈবা কাংবু ওম্ফোক্লা খুদোং চাদবজাৎনী। লম্বীদা হায়রদি 'ব্লাইন্দ টর্নিং' গুম্বনি।

ঐখোয়গী লাইবক্তি, অমখত্তং শোয়বদগী লৈজবসিদবু অনী লোনবগী শকফম মাল্লি হায়বিরিনে।

মখা তারকপা ৰারীদুদি ঐনা ঐগী কা অসিমত্তঃদি শানিংখিদবনী। অদুবু মচিন মেল্লুগদ্রদো?

– অতোনবী শাবীগদবদো মৌ য়াওরিশীং, লৈশাবীশীং অমত্তনা শাবীয়ু য়াদ্রে। ময়াম অদুনা ঐবু শারো হায়বীরে তামো তামোসু ঙরাং মিটিংদী য়াওবিদে। ওফিসারনদি ঙরাং পার্টি পূন্নমক খন্নরগা ওরডর থোকখ্রবনি।

– হোয়নে হোয়নে। য়ান-য়ানবা তৌবা তারেদনা। ঙাইখোনে, নুপাদুনা অতোম্বী অমা থিরক্লিবদুগী মরাল অদু ময়েক শেংনা উৎপা ৰাৎলি। অমনা অহলগা অতোম্বীগা থোইন-লাওনবগী মতাংদুদা ঙাংনরিবশীং অসিসু সেন্টিমেন্ট য়ৌবা ইয়াও-য়াওদ্রি। তৌবগীদি নশাসু লৈশাবীনীদনা। অদুবু খরদি ষ্টডি তৌখো। শন্না হায়রবদা নংগী লীলাসিদা নুপী লোম্বা ফত্তে হায়বগী পাওজেল পিগেবুদী হোৎনরবসু য়ূম পানবা খঙদ্রবা নুপাশিংবু ইকাইবা পিবা ওইনা ময়ূম পানলবা নুপাশিংনা চহি য়াম্লক্লবী লৈশাবীশীংবু লৌশিনবিবগী য়ান্না ফজবা মওংদা ফিদন্নফম ওইনা চংশিল্লি। মসি ৰা থোক্লরক্কনি।

– অদুনবু তামোনা ফনবা শেম্বিয়ু হায়জররিবসিনীদনা, ঐগীদী মাই পাক্তবা য়াদে, তামোখোয় লৈন-লৈনা। অদুগীনি ঐনা তামোবু কোইতান-তান্নজরীবসে।

– ওম্ফোক-ওম্ফোকপা ঐনা করি হৈরদনা?

ঙাইহাক নোকমিন্নে। নোকমিন্নবদুগী তঙ্খায়ৰাইদা অঙাং অমা খংকপ-কপ্লকই। ঐনা শকফম হনজিল্লগা কৈদৌরগে য়েংলুসিরা খনলকপগী অদুৰাইদা, খল্লিবা পডা অদু নমথেক্লগা গ্লাস অমা ফৈরেং-ফৈরেংননা পাইশিনলক্তুনা ইমাঙমক্তদা পোপ তারে। খ্যাও কায়রে! মখা তানা মপান্দা অঙাং ফুগৎলকপগী মখোল অমা তারকই। ফুবগী মখোলদ নত্তনা শিরাপও করিও ইবেতোম্বীনা লাওরকপশীং তারকই। গ্লাসতু লৈবাক্তা তাবৈ ফবনি, মীগী মমাইদা নক্ত্রো ঐগী খোঙদা করিদা পাল্লম্মো, খুদোংবু চারম্মোইনে... পালহৌদবগী চৈনখোলসিনা অসুক ময়েক শেংলসিদা। ঐনা খল্লিবসি নত্তবা করি করিদি খল্লম্বা য়াই লাক্লিবী ইবেম্মসিগী ৰাখলদা? ৰা অমত্তা ঙাংনদ্রে, তপ্লপ হৌগৎমিন্নে। হায়ফম খঙলক্ত্রদুনা ঐসু মঙোন্দা নোকফেৎ তৌরগা মীৎচি শৎ খৎলি। মাসু মোমোন নোক্লগা "মখাদি হোরেল তামোগী কাদা শমথরসি, স্কৃপসিসু তামোনা অদুম পাইবিরক্লো", হায়রম্লগা কাদগী থোকখীনবা তৌরকই। মদুদা ঐসু নুংশা থিদুনা, ঐনা মাঙ থাদুনা কাদগী মপান অদুম থোরক্লে। মপানগী ফিভমদুদা, মাসু করিসু হায়রমদনা থোঙ্গাল্লোমদা থোকখী, ঐনা ইমুংদা।

## তাবুনুংদগী

*(ঙসিদগী চহি ৮৭ মুক্কী মুক্কী মমাঙদা ডা. নিংথৌজম লৈরেন না এডিটর ওইদুনা "য়াকাইরোল" কৌবা থাগী চেফোঙ অমা ফোঙলম্মী। চেফোঙ অসিগী ,প্রিল ১৯৩১ গী এডিসনদা য়াওবা মণিপুরগী ই-পাউ হায়বা কলমদুদা য়াওশঙ মনুংদা থাবল চোংবগী মতাঙদা পাওদম অমা য়াওরি। পাওদম অদু ঙসিগী ওইনা তাবুনুংদগী লৌখৎচরি।)*

*কুমশি য়াওশং অসিদা থাবল কন্না চোংবা মফমদি উরিপোক, পমশাং অমসুং শোইরবন খিঙেনদনা ইহেন হেল্লি। পাইরিক য়েংবম লৈকাইগা য়াইস্কুলগা পম অনী অসি থাবল পুমচোং চোংদে হাইরবসু য়াগনি। নিংথৌখোং অমা পুমচোং চোংদে। লোং মরক অদুদা নুপীশিং অদু খাংচেৎ শেৎতুনা মফী কৌরপ শেৎতুনা মশম থাদোক্তুনা মকনথী হৌন চোংজৈ। অমরোমদা হাইরুরগা কিশি শেৎতুনা চোংই হাইরবসু ময়াগনি। নুপীনা করমনা কিশি শেৎপা হৌনবগে হাইনা কনাগুম্বা মীনা হাইগনি হাইবগী ব্যবহার ঙাকচদুনা খাংচেৎ শেৎপা হাইজবনি। হৃরাওমনখ্রদুনা ইশৈহনবনা "হোরিবলা" পাওরকপগী "হে হোরি" খুম্বদা কন্না খুমনিংমনখিদুনা মমাই অদু পুপথরকপদা তিংথৌ মতোন খেৎনিং খেৎনিং তৌই। ফজৈ ফজৈ ইবেমা নুংশিবগী খুজেং পাইদুনা মথরাই হৃরাওনা ননিং থুংনা চোংবিয়ু। পোকচনবগী কন্যাদানতদি নংনা মাংহল্লেদো। "পাণিগ্রহন মাত্রেন পতিবরন যায়তে" হায়রিবা প্রমাণ অসিবু শাস্ত্রবু মানিরিবা মণিপুরীশিংনা হুন্দোকখিরিবা করি মরমনলো? ভারত রামায়নদা ৰারিগী উদাহরণ লখা লখা য়াওখ্রে। ভাব তাবিহৌদ্রবসু কুমসিগী কাপ্লেনগী ৰারি পাইরিক তাবদা মুল্লা তাবিহৌ।*

## মণিপুরী পান্থৈ-পাউরৌ, পাউতাক

**১৬১. ইনুং লেল্লগা লোইরে।**
– ঐগী লোইরগা মীগী হন্না য়েংদবা।

**১৬২. ইনুং শোরা তৈবা**
– নোং ঙানবা।

**১৬৩. ইনুং ঙাল্লগা য়েংবদা উগনি।**
– অমম্বদা খঙদবদু অঙানবদদি খঙবা।

**১৬৪. ইপাই হৌবা (ইপাই খরাওবী হৌবা)**
– তৌফম খঙদবা, পাখৎপা।

**১৬৫. ইপাই থীফাই**
– পাখৎপদগী খোঙ তোইনা হাম্বা।

**১৬৬. ইপা ইপু জাৎ তানবা (চেম্থনবা) পোকপা মচা**
– পারী পুরী মিংচৎ থিনবা পোকপা মী।

**১৬৭. ইপা ইপুনা থন্নম্বা মহৈ, ইমা ইবেন্না তুংশিল্লম্বা লন**
– অহল লমন্না থম্বীরম্বা লন-থুম (ইপা-ইপুনা কৈরাক থাবিরম্বা)।

**১৬৮. ইপা-নাৎ ইপু-নাৎ কাউফদে।**
–অহল-লমন্না চৎলম্বা শাজৎ-লীচৎ থৌওং-থৌদা মাঙহনবা হৌনদে।

**১৬৯. ইপা মচুম তারো ইপু মচুম তারো।**
– ইপা ইপুনা তৌরম্বা অফবা থবকশিং থাদোক্লোইদবনি।

**১৭০. ইপাদগী পুরোন তরেৎ, ইমাদগী পুরোন তরেৎ**
– পারী পুরী পুরোন তরেৎ তরেৎ পল্লগা ৰাশকপা, অচেৎপা ৰাশক।

**১৭১. ইপুম থিৎপমখৈ হোৎনবা**
– থবক ৰানা শু-নোম্বা অদুগা কান্নবা ইফং ফংদবগুম্বগী মওং।

**১৭২. ইপা-নাৎ ইপু-নাৎ ঐগীসু ইনাৎনি।**
– অহল লমন্না চৎলম্বা লীকলম ঐগীসু ওইফম থোকই।

**খোমজিনবাঃ ডা. লৈশাংথেম তোন্দোন**

## চানক্য নিতি

– শান্তি লৈবা মফমদা মশাগী য়ূমদা লৈরিবা, মচানুপা নুপী শিংবা অমদি চীঙ লেম্বা, ফজরবী লোয়নবীনা খোয়থুন্ননা ঙাংলবা, পূকচেল শেংনা তানবা লন মতীক চানা লৈরবা, অপাম্বা অমদি দরাকর লৈবশিং ফংলবা, লোয়নবী নুপীগা লৈমিন্নবদা নুংঙাইবা ফংলবা, মনাইশিংনা হায়বা ইল্লবা, য়ূমদা লাকপশিংবু লুনা তৌরবা, ভগবান শিববু লাৎচরিবা, নুতিগী অথুম অহাউ চারিবা অমসুং সাধু সঙ্গবু পাল্লিবা য়ূম্বানবা নুপাদু অথোইবনি অদুগা নুংঙাইরবনি।

– অৰাবা তারিবা ব্রাহ্মণদা খজিক্তং থমোই শেংনা পীরিবা মীদুদ মরাং কায়না লন চঙলক্কনি। মরম অসিনা হে নিংথৌ, অফবা ব্রাহ্মণদা পীখিবসিদি হন্দুনা ফংলকইবদু চাং ৰাংনা লাকই।

– মরী মতাগা নুংশিন লোয়নবা, অতোপ্পদা থৌজানবীবা, ফত্তবশিংদা শাথিবা, অফবশিংদা পেম্ফোকপা, অপঙবদা তোপ্না লৈবা, অশিংবদা ইচম চম্বা, য়েক্লবদা থৌনা ফবা, গুরুশিংদা নোলুকপা, নুপীদা শুক্ষত্তবা অদুগুম্বা মীদু হৈ শিংবনি, অচৌবা মীনি, অদুগুম্বা মীনা তাইবঙপানসি লৈহল্লিবনি।

– করিমত্তা পীথোক্ত্রবা খূৎ, শাস্ত্রনা হায়বা তাদ্রবা নাকোং, সাধু সন্ত য়েংদ্রবা মীৎ, তীর্থ চৎত্রবা খোঙ, চুমদবা মওংদা তানবা লন অদুগা নাপলনা হাইগৎলবা কোক, মী অদুদি মীগী শক্তম ওইবা লমহুইনি মহাক্তি খুদক্তা হকচাং থাদোক্কদবনি। মা শিবনা হিংবদগী হেন্না কান্নগনি।

**হন্দোকপাঃ**
**ককচিংতাবম ব্রজমনি শর্ম্মা**

## মণিপুরি পাউখোং

১৩৬. মপাল জামোর, মনা থাংশাং মউ অমৃত-
১৩৭. জীবগী হকচাংগী শরুক ফুবদা চৈনা ফাওদবা-
১৩৮. লুকোকপী চেললু চেললু খোংগোনবী তান্নৌ তান্নৌ-
১৩৯. নুমিৎ তারগা মখা কুমখিবা নোংঙাল্লগা হল্লকপা-
১৪০. চারবসু তেঙ্গোৎ থনবা চান্দ্রবসু তেঙ্গোৎ থনবা-

**পাউখোংশিং অসি মথংগী নোংমাইজিংগী লমাই অসিদা ফোঙদোকচগনি।**

**মমাঙ নোংমাইজিংগী (২৫-২-২০১৮) পাউখোঙ ফোঙবা**

১৩১. গিহোম
১৩২. চাক চাবা
১৩৩. তিনফা কাকফৈনচিকপা
১৩৪. মীৎ নাম তাংবনা চৌক্রীদা ফম্বা
১৩৫. নাওশেক

## কান্ন-ৰানি খঙজীনবিয়ু

* **চীন-য়া অমদি স্বর নমথীরবদি?**

– চীন-য়া অমদি স্বর নমথীবা হায়বসি হকচাং মনুং শেংদদুনা নৎত্রগা য়াথী থাংবনা মরম ওইবা য়াই, তিত্থৌ-চনম পংচা-চারুবনসু অদুগা চাশীন-থকচীল্লুবগা চীন নীংথিনা তেংথোক্তবদগীসু ওইবা য়াই। ময়াম অসি খরমখৈ কোক্লবগীদমক চীন তেংনবা হীদাক মহী (মাউথ ৰাস) মখল কয়ামরুম দুকান্দা য়োন্নরি। অদুবু চীন তেংনবা অদুগুম্বা হীদাক মহী মখলশিং অদুদি মমল তাঙই, অদুনা মদুগী মহুত্তা-ঈশিং লিটরমখায় অমগী চাংদা হোপ (Anise seeds) গ্রাম ৫০, লোংপান (Cloves) মরু ১০, ইলাইচি (Cardammom) গ্রাম ১০ হাপ্পীরগা ঈশিং তঙ্খাই কংশিন্দ্রিফাওবা লোম্ফোকপিয়ু, অদুগা নীংথিনা থম্বিরগা মহীদুনা চীন হেক হেক তেংথোকপিয়ু।

* **চুরুপ থকপিগনু অদুবু য়াদদুনা থকপিগে হায়রবদি?**

– চুরুপ থকপা ফত্তে, য়ারিমখৈ থকপীগনু, অদুবু হান্নদগী চুরুপ থকপীরকপনা থাদোকপা ঙম্বিদ্রবা মীওইনা ইমুংদা চুরুপ থকপিবা তারবদি চুরুপ মথী কন্থবিনবগীদমক শিজীন্নবিগদৌরিবা এষ্ট্রে অদুগী মনুংদা 'বেকিং সোডা' খরা হাপচীনবিয়ু, এষ্ট্রেদগী থোরকপা মৈখূ অমদি মনন্না অতোপ্পদা অকায়বা পীবা ঙম্লরোই, মৈখূগা মনমগদু সোডাদুনা ফাজীনখ্রগনি।

* **চেঙফূদা ককচেংনচিংবা তীন মচা-মচা চঙহনবিরোই হায়রবদি?**

– য়ুমগী চেঙফূদা নত্তগা বোরাদা করিদা হাপ্তুনা থম্বা চেঙদা ককচেংনচিংবা তীন মচা-মচা চঙশীন্দুনা হেক-হেক লৈরম্বসি ঐখোয়না তত্তনা থেংননরিবা থৌদৌনি। মদু থোকহনবীরোই হায়রবদি চেঙ থল্লিবা পোৎশক অদুদা চনম মচেৎ খর-খরা খায়দোক্লগা নত্তগা শুগাইরগা হেক-হেক হাপচীন্দুনা থম্বিয়ু।

*(খূৎনম ৮ লক হন্না পুথোক্তুনা কোপী লিশিং কয়া য়োনখ্রবা সনথোঙ পব্লিকেসনগীদমক মণিন্দ্র কোন্সমনা খোমজিন্দুনা ফোঙবা লাইরিক "কান্ন ৰানি খঙজিনবিয়ু" দগী লৌথোকচবা)*

## শৈরেং

### য়াওশঙ তেনশিনসি

*– ইবেম মোবি*

হৌজিক পরিক্ষা মতমনি
মহৈরোই লিশিং কয়াগী
তুংগী লাইবক লেপকদবা।

পরিক্ষাগা য়াওশঙগা
পুন্না চৎমিন্নবা য়ারোই।
মীওই কয়াসু শুদনা লৈথোকপা য়ারোই
শেম্ফোক লৈতবা লমসিদা।
কুম্মৈ অমগী মিংদা
থা অমা হেন্না
থাবল চোংবা তোকশি।

কন্না হিদান্নবা মতমনি
নোংমা নীনিদগী হেনগুমসি য়াওশঙ
মীয়ামগীসু য়াইফনবা য়াওশঙসু
মুৎখিদনবা।

ঐসু লৈহৌরে মফমসিদা
ইখোঙ থাঙবা থোক্তনা
চৎখিবা মখোয়বু য়েংদুনা
লাংদা থুরবা শজিগুম।

ঐবু উরগা নোক্লরি
থমোয় পান্দ্রবী ঈচেলনা
পাংদবনি হায়বিরী
করেন্নবা ৰাহৈনা।
কয়ারক হোৎনখি ৰাহৈদুদা
নাম্তোক্লগে ঈহনসিদগী
ঙম্বদি ঙমদ্রে নাম্ফোকপা
ইখোঙ ইখূৎ পুন্বিখ্রবদা।

### তাইবং পাং

*– অনৌবম ভিমো শর্ম্মা*

তাইবং মাগী ফমপাক, থক
চেম্থরি পুন্সি ঈচেলনা
য়াংগংলবী তুরেলগুম
শাফু কল্লবা ঈরৈলক
মঙম শান্দ্রবা ঈহনগুম।

খঞ্জখি ৰাখলসিনা কয়ারক
ঈরৈলক্তা তিঞ্জগে
কাওশিং লক্তা য়াওজগে
লাইজ ঈপাক য়ৌজগে।

পূন্নমক অরেম্বা ওইহল্লে
ফিভম কাইরবা হিদেনশিনা
হেন্দোকহন্দ্রে ঐগী পুন্সিবু
মঙম শান্দ্রবা ঈহনসিদগী।

ঙরাং নহান নুমিৎ কয়া
হৌখ্রে, খঙহৌদ চৎখ্রে
ঙসি হয়েং মথং মথং
চৎখিনি মখোয়সু লেপ্তনা
কনা অমতশু হৌরমদে।

### চাকথোংবী

*– সনাজাওবা*

নোংমাইজিং নুমিৎনি
চাকথোংবী শান্নসী
মমা মপা ওইনসী
নয়ুম ইয়ূম শেন্নসী
ঊনাগী পৈশা চৎনসী
লৈবাক্লা চাক্লেন থোংনসী,
চাকথোংঙে থোং থোং...
চাক চারসী চা চা...
জগোই শাসী শা শা...
হুম! নুমিৎ তারে
ঙাইরম্লনি য়ূমদা
হয়েং অমুক শান্নসী
নংসু লাকউ ঐসু লাক্লে
হন্নরসী ইয়ূমদা অমুক।

### নিংঙমহৌদ্রবা

*– লোং. বিশ্রেম 'শিবারাসন' সিংহ*

মতম! নংগী খোঙলোয়দা
ঐসু চৎলি লোয়নবা ওই
পুন্সিগী হিদেন তান্না।

অঙম্বা পুন্সিগী অয়ুক্তা
শান্নজখিবা কোরৌ নংগী নঙালদা
কয়াদা পুক্লিং ইংহনখিবা,
মেরাগী পূর্ণিমানা কোকথক্তা শাৎলম্বা
মালেমগী অমম্ববু ঙালহনখিবা
অরাংবা কয়াবু ফিজং খুমখিবা
কনা তাখিদ্রবা চিরোল অমনা,
মোমোন নোক্লম্মি ঐদি
ইচিক হুল্লবা অহিংদুদা ইদোম।
ঙসিদি লাক্লে থাশিগী অহিং
প্রকৃতি নহাক্কী করম্বা থৌশিলনা
তমথিরবা মহু কারবা লিলগুম
অমম্বনা অমম্ববু ৰাহনগে থৌরাংলিবা
ওম্ফোক্লা নুংশিহৌতেকো নংসে,
করম্বা তাঞ্জা ঙাইদুনা
থাজ মাগী ইংলবা মশেকপু
য়েংবা ফংজগদবা থমোয় পেন্না
থোকলক্লরোই অমুক
অনৌবা মপোক অমা তম্লমদ্রবদি
নিংথিজবনী খন্না পামলুবদি
পুন্সিবু নুংনাংবা ফংননবা
পংনা থৌরাংজরুবনি খল্লগেকো
হে থাজ... হে থাজ... ।।

### অহান-অকোন

*– আইশোমনি খুম্বোংময়ুম*

য়াংন চেনবা সগোল লমজেল
পুন্সিগী খোঙচৎ পুবনি
চেল্লকপদুসু, মমৈদা তান্না
য়ৌরকপদদি চৈখৈসি
অথোই অহেনগী মনা
হেন্নদে অমনা ৰাত্তে
উতোংনা শংবাই তেম্বগুমই
অহান অকোনগী ৰাতনি।

### হৌজিক্কাল

*– খাইরাকপম নোরেন্দ্রো সিংহ*

মী ঙাওরে শা তেরে,
হুই ঙাওখিদ্রে থৰান থাদা,
লাইসু চেনখ্রে মীনা শিলহৌরে,
মী ওক্লনি কীনরে,
মপা মচা মচিন মনাও
লাই ঙাক্তা ইমান মান্নখ্রে,
মচি পাল্লে চিখৎ তম্লে,
হৌদোং লৈত্রে উচিতা ঙাইহৌরে,
করি অমুক হায়রুনি,
মীনা মী শায়রে
লংজানা শদুম শেৎপগুম
ষণনা নাপি শায়বগুম।